# সুপ্রিম কোর্টকী মপানদা কমপ্লেনেন্ট সুইসাইদ তৌখ্রবা রেপ কেসতা চেন্নবা বিএসপিগী এমপি এক্কিট তৌখ্রে



লক্ষ্ণৌ, ওগষ্ট ৬ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৯ দা নুপী অমনা ফাইল তৌখিবা রেপ অমসুং চিটিংগী কেসতা চেন্নবা বিএসপিগী লোক সভা এমপি অতুল কুমার সিংহ থাংজ নুমিত্তা কোর্টনা এক্কিট তৌখ্রে।

কেস অদুবু ফাইল তৌখিবা নুপী অদু এক্যুজ অদুগা মান্নখি হায়না সেনিয়র পুলিস ওফিসারশিংবু মরাল শীরল্লবা মতুং হৌখিবা চহীদা সুপ্রিম কোর্টকী মপানদা সুইসাইদ তৌখ্রবনি।

এমপি অদুগী এদভোকেট অনুস যাদবনা হায়খি, মদুদি এমপি-এমএলএ কোর্টকী স্পিসল জজ সিয়ারাম চৌরসিয়ানা গোসি লোক সভা সিট রিপ্রজেন্ট তৌরিবা অমসুং কেস অদুগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৯ গী জুনদগী জেলদা লৈরক্লিবা অতুল কুমার সিংহ এলিয়জ অতুল রাইগী ফেবরদা রুল্লিং পীখি।

উকিল অদুনা মখা তানা হায়, ভিক্তিম অদুগী ফেবরদা ইভিদেন্স কোর্টতা সবমিট তৌবা ঙমখিদে। অদুনা রেপকী থৌদোক অদু প্রুফ তৌবা ঙমখিদ্রে। কুমজা ২০১৯ গী মে ১ দা মশাগী চহী ২৪ শুরবী নুপী অদুনা অতুল রাই অমসুং মীওই খরগী মায়োক্তা রেপকী কমপ্লেন্ট অদু ফাইল তৌখিবনি।

কমপ্লেন্ট অদুদা মহাক্না হায়খি, মদুদি রাইনা মহাকপু বরানাসিদা লৈবা মহাক্কী ফ্লেটতা পুখি অমসুং মহাকপু রেপ তৌখি। মহাক্না ওবজেকস্নেল ওইবা ভিদিওশিং অমদি ফোটোগ্রাফশিং লৌখি। মদুগী মতুংদা মহাক্না ভিদিওশিং অদু ওনলাইনদা থাগৎলক্কনি হায়না কিহনখি।

কুমজা ২০১৯ গী জুন ২২ দা রাই কোর্টতা সরেন্দর তৌখি অমসুং মতমদুদগী মহাক প্রয়াগ্রাসকী নাইনি জেলদা থল্লকখি। হৌখিবা চহীগী ওগষ্টতা কেস অদুগা মরী লৈননা নুপী অদুগা লোয়ননা মহাক্কী মমান্নবী ৱিটনেস দিল্লিদা লৈবা সুপ্রিম কোর্টকী মপানদা মশা মথন্তা মৈ থাজদুনা শিজখি।

সুইসাইদ তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মীওই অনী অসিনা ফেজবুক লাইভ ভিদিও অমা রেকোর্দ তৌখি অমসুং মদুদা ভিক্তিম অসিনা মহাক্কী মশক তাকপগা লোয়ননা মহাক্না কুমজা ২০১৯ দা রাইগী মায়োক্তা রেপ কেস অদু ফাইল তৌখিবনি হায়না ক্লেম তৌখি।

সেনিয়র পুলিস ওফিসর খরনা এক্যুজ অসিবু শৌগৎলি হায়না মহাক্না মরাল শীখি। মীওই অনী অসিবু সুইসাইদ তৌবগী ৱাখল কোকহনবগী মরালদা লক্ষ্ণৌগী ফজরট গঞ্জ পুলিসনা রাইবু বুক তৌখি। হৌখিবা জুলাইদা এল্লাহাবাদ হায় কোর্টকী লক্ষ্ণৌ বেঞ্চনা রাইগী বেল প্লি রিজেক্ট তৌখি অমসুং ক্রিমিনেলশিংবু পোলিটিক্সতা খোঙদাহন্দনবা অমদি ক্রিমিনেলশিং, পোলিটিসিয়ানশিং অমসুং ব্যুরোক্রেটশিংগী মরক্তা য়াম্না চুমদবা মওংদা লৈনরিবা মরী থদৎনবা পার্লিয়ামেন্ট অমসুং ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা খঙহনখি।

জষ্টিস দিনেস কুমার সিংহগী বেঞ্চ অমনা হায়খি, মদুদি দিমোক্রেসি কন্ননবা ক্রিমিনেলশিংবু পোলিটিক্সতা নত্ত্রগা লেজিসলেচরদা চঙহন্দনবা হোৎনবা হায়বসি পার্লিয়ামেন্টকী মথৌদাংনি হায়খি।

রাইগী মায়োক্তা লৈরিবা কেস ২৩ গী ক্রিমিনেল হিষ্ট্রি, এক্যুজ অসিগী মতিক মঙম, মহাক্কী মায়োক্তা লৈরিবা ইভিদেন্স অমসুং মহাক্না ইভিদেন্সতা খুৎ থাদুনা অহোংবা লাকহনবা য়াবগী ফিভম লৈরিবসি য়েংলগা তাঙ্কক অসিদা বেল পীবা য়াবগী গ্রাউন্দ লৈতে হায়না বেঞ্চ অসিনা ফোঙদোকখি।

উকিল অনুব যাদবনা হায়খি, মদুদি হায় কোর্টনা ঐখোয়দা ইলেক্ত্রোনিক ইভিদেন্স সবমিট তৌনবা ইভিদেন্স পীরকখি। মদুবু য়েংশিল্লবা মতুংদা কোর্টনা কেস অদু রাইবু লোক সভাগী মীখলদা মায়থীবা পীননবগী পোলিটিকেলগী লৌতুনবা অমগী শরুক অমা ওইনা রেজিষ্টর তৌখিবনি হায়না ওবজার্ব তৌখি।

# ইদিনা সঞ্জয় রাউট অমসুং মহাক্কী লোইনবী পত্রা চোল স্কাম কেসকা মরী লৈননা ৱাহং পাউহং চখরি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৬ (এজেন্সী): পত্রা চোল লেন্দ স্কাম কেসকা মরী লৈননা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ইদি) না সঞ্জয় রাউট অমসুং মহাক্কী লোইনবী বর্সা রাউট ৱাহং পাউহং চখরি।

মতৈ মনাও অসি প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্টকী মখাদা এজেন্সি অসিনা ৱাহং পাউহং চখরিবনি। সিব সেনাগী লুচিংবা রাউট হান্নদগী ইদিগী কষ্টদিদা থল্লকপনি অমসুং মহাক্কী লোইনবীনা হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা ইনভেষ্টিগেসন অদুদা কো ওপরেসন পীহন্নবা সমন তৌখিবনি।

বর্স রাউট মহাক্কী একাউন্টদা ট্রাঞ্জেক্সন খরা লৈরম্বা থেংনবদগী সমন তৌখিবনি। ইদিনা মহাকপু ট্রাঞ্জেক্সন অসিগী মতাংদা ৱাহং কয়া মখা তানা হংগদৌরি। সঞ্জয় রাউট সমন কয়াদা রেস্পোন্দ তৌখিদ্রবা মতুং নোংমাইজিং নুমিত্তা ইদিনা ফাখি। মহাকপু কোর্টনা মতুংদা ইদিগী কষ্টদিদা থম্না য়াহনখি।

ইদিনা মমাঙদা দিঐচএফএল য়েস বেঙ্ক কেসকা মরী লৈননা পুনেগী বিজিনেসমেন অবিনাস বোস্লেবু ৱাহং পাউহং তৌখ্রবনি।

এজেন্সি অসিগী স্লুটশিংনা হিরম অসিগা মরী লৈননা রাউটপুসু ৱাহং পাউহং তৌবা পাম্মী হায়না সোর্সশিংনা ক্লেম তৌখি। সোর্সশিং অসিগী মতুং ইন্না ইদিগী পত্রা চোল কেস অসি দিঐচএফএল কেসকসু মরী লৈনৈ।

হৌখিবা এপ্রিলদা ইদিনা লেন্দ স্কাম অদুগা মরী লৈননা রাউটকী প্রোপর্টি ফাজিনখি। রাউটকী এসোসিয়েট প্রবিন রাউটকী লুপা ক্রোর মাপনগী প্রোপর্টি অমসুং সঞ্জয় রাউটকী লোইনবী বর্স রাউটকী লুপা ক্রোর ২ গী এসেটশিং ইদিনা ফাজিনখি। বর্স রাউটকী মিংদা রেজিষ্টর তৌবা ফ্লেট অমদি লমশিং ইদিনা ফাজিনখি।

মেটর অসিদা চেন্নবা ঐচ দি আই এলগী প্রবিন, সরং ৱাদংৱন অমসুং রাকেস ৱাদংৱনগী মায়োক্তা ইদিনা চার্জ সিট ফাইল তৌখ্রবনি। প্রোব অদুনা প্রবিনদা বর্স রাউটতা লুপা লাক্ষ ৫৫ পীখি হায়বসি ইদিনা খঙবা ঙম্লকখি। শেনফম অসি প্রবিনগী লোইনবীগী বেঙ্ক একাউন্টদগী পীখিবনি। শেনফম অদু ক্রাইমগী প্রোসিটশিংনা হায়না ইদিনা ফোঙদোকখি। হোতেলদা লৈবা অমসুং এয়র টিকেটশিং য়াওনা প্রবিননা সঞ্জয় রাউটকী ট্রাবেলগী চাদিংশিংসু পুথোকখি হায়নসু ইদিনা চার্জ সিট অদুদা পনখি।

পনবা য়াবদি ইদিনা হৌজিক এমপি সঞ্জয় রাউট অমসুং ব্রোকরেজ হাউস সিষ্টেমেট্রিক্স চল্লাইরিবা মুম্বাইগী ষ্টোক ব্রোকর চন্দ্র প্রকাস খান্দেলৱালগী মরক্তা করি করি মরী লৈনরিবগে হায়বসিসু থিজিনবা হৌখ্রবনি। সোর্সশিংগী মতুং ইন্না খান্দেলৱাল অমসুং রাউট পিএসিএল চীফ-ফন্দ স্কামগা মরী লৈনবা মন্দি লোন্দরিং রেকেটতা চেন্নে হায়না ইদিনা থাজে।

# পুলিসকী ইনফোর্মরনি চিংনবদগী মাওইষ্টশিংনা খুঞ্জা ১ হাৎখ্রে

ভোপাল, ওগষ্ট ৬ (এজেন্সী): মধ্য প্রদেশকী বালাঘাট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ফোরেষ্ট এরিয়া অমদা লৈবা মীওই অমা পুলিসকী ইনফোর্মর অমনি হায়না চিংনবদগী মাওইষ্টশিংনা হাৎখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

মাওইষ্টশিংনা হাৎখিবা খুঞ্জা অদুগী মমিং লালু দুরবে কৌই। মহাক মালাস খান ভিলেজতা লৈবনি। পুলিসকী মতুং ইন্না মাওইষ্টশিং অদুনা অশিবা হকচাং অদু পুরগা চৎখি। খুঞ্জাশিংগী মতেংগা লোয়ননা অশিবা হকচাং অদু লৌননবা হোৎনরি।

থৌদোক অদুবু কনফার্ম তৌরদুনা বালাঘাটকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এসপি) সমির সৌরবনা হায়খি, মদুদি লালু দুরবে কৌবা ভিলেজর অমা ফোরেষ্টকী এরিয়া অমদা মাওইষ্টশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে অমসুং ভিক্তিম অসিগী অশিবা হকচাং অদুসু মখোয়না পুখ্রে। পাউ অদু ফঙবগা পুলিস টিম অমা মফম অদুদা থুংদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে। খুৎনা ইবা নোট অমা মফম অদুদগী ফংখি অমসুং মদুদা কম্যুনিষ্ট পার্টি (মাওইষ্ট) না দুরবেবু হাৎলিবনি হায়না ইরমখি।

মখা তানা নোট অদুনা পুলিসনা শেলগী মীকাহন্দুনা মীয়াম্বু ইনফোর্মরশিং ওইহন্নবা হোৎনবা লেপ্পনবা ৱার্নিং তৌখি। মাওইষ্টশিংনা খুঞ্জাশিংদসু পুলিসকী ইনফোর্মর ওইরম্বা খুদিংমক মান্নবা মওংদা শিগনি হায়নসু ৱার্নিং তৌখি হায়রি।

# গেহুগী মমল দিল্লিগী মন্দিশিংদা ক্বিন্টলদা লুপা ২৫০০ য়ৌরে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৬ (এজেন্সী): সপ্লাই তপথরকপা অমদি দিমান্দ কা হেন্না ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা গেহুগী মমল রেকোর্দ ওইবা মওংদা ক্বিন্টল অমদা লুপা ২৫০০ য়ৌরে।

দিল্লিদা লৈবা ট্রেদরশিংগী মতুং ইন্না চহী অসিদা হিটৱেবনা মরম ওইদুনা গেহুগী চাথোক হন্থরক্তুনা দোমেষ্টিক সপ্লাইদা চাওনা শোকহনখি।

দিল্লি লোরেন্স রোদ মন্দিগী জয়প্রকাস জিন্দালনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা গেহুগী মমল নুমিৎ খুদিংগী হেনগৎলকখি। ঙসি অয়ুক গেহুগী মমল হেনগৎপগী চাং চাদা ৩০ য়ৌখি অমসুং হৌজিক গেহুগী মমল ক্বিন্টল অমদা লুপা ২৫৫০ দা লৈ। হরিয়ানাদদি গেহুগী মমল ক্বিন্টল অমদা লুপা ২৪০০ নি অমসুং রাজস্থানদনা ক্বিন্টল অমদা লুপা ২৩৭০ নি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মন্দিগী মমলশিং কুমজা ২০২২ গী মে ১৪ দা গেহু থাদোকপদা থল্লম্বা অথিংবা লাউথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা ক্বিন্টল অমদা লুপা ২১৫০ অমসুং ২১৭৫ গী মরক্তা লৈরম্মী।

জিন্দালনা মখা তানা হায়খিবদা চহী অসিদা গেহুগী চাথোক অসি লৈবাক অসিদা হন্থরকখি। গেহু থাদোকপা গভর্ণমেন্টনা মতম চানা থিংখিদে। গেহু থাদোকপদা গভর্ণমেন্টনা অথিংবা থমদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈবাক অসিদগী গেহু য়াম্না মপানদা থাদোকখি। গভর্ণমেন্টগী দাটাগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈবাক অসিনা মপানদা গেহু থাদোকপগী চাং হেনগৎলকখি।


## SUMMON NOTICE

**In The Court Of :** Civil Judge Senior Division, Imphal West
**CNR Number. :** MNIW070003602020
**Case Number. :** M.S./0000078/2020
Bank Of Baroda Imphal Branch **Versus** M/S Universal Mobile Centre Represented By Its Proprietor Shri Nongmaithem Bikom Singh And Another
Date : 22-07-2022

Business : Present Ld. Counsel For Plaintiff. LR Of Def.1 Is Allowed To Be Impleaded On Payment Of Cost Of Rs.500 To MASLSA. Receipt To Be Given On Or Before Next Date.Summons To Def. No.2 Be Issued By Way Of Substituted Service Through Publication In Two Local Newspapers, One English And Another Vernacular For Two Consecutive Days Keeping Atleast 30days Gap Between Publication And Appearance. Fix On 9.9.22 For Appearance

Next Purpose : Appearance
Next Hearing Date : 09-09-2022
Civil Judge Senior Division, Imphal West

HL-B/7787/7,8



## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

**Ref :- Mutation Case No. 163/SDC(W) of 2022.**
**Dated :- 01/08/2022**

App :- 1) Ningthoujam Bimolchand Singh S/o N. Kumar Singh of Arong Khunou. 2) - do - Rajendro Singh S/o do - of - do - 3) - do - Premjit Singh S/o do - of - do - 4) - do - Surjit Singh S/o do - of - do -

-Vs-

Opp :- (L) Thingujam Biramangol Singh S/o (L) Iboton Singh of Meitram Makha Leikai.

**NOTICE**
Dated : 01/08/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮৪-অরোং পাট্টা নং ১৬৫, ১৬০ দাগ নং ৪১/১৩৯, ৪১/১৩৪ এরিয়া ২.০৬, ৩.২০ একর চাওবা তাওথবী অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/3611/07



ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
Class 4 to 10 (BOSEM & CBSE)
Class 11 Science (COHSEM & CBSE)
Starts on 25th August 2022

TOPPERS of 2022






SUBJECT TOPPERS 2022
MATHEMATICS : 100
1. BIDYA TH. (LFS)
2. BRAJALIEN (TINY TOTS)
3. GAGAN N. (SJS)
4. KH. TOP JOHN (HERITAGE)
5. SANAMATUM (RIGHT STEP)
6. MALEMNGANBI S. (NBS)
7. M. KHELINA (LFS)
8. SABIRAH BEGUM (NBS)
9. S. SWATI (LFS)
10. SHINY S. (NBS)
11. SUBHALAKSHMI (TINY TOTS)
HR. MATHS : 100
1. B. BRINDA (NBS)
2. BRAJALIEN (TINY TOTS)

FIRST COME FIRST SERVE

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS WITH WI-FI FREE CAMPUS

CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/7784/ 5/8 (Alt 30 days)



AFFILIATED TO COUNCIL OF HIGHER SECONDARY SCHOOL, MANIPUR
ACI SCHOOL
A Co-educational Higher Secondary School
Kwakeithel Akham leikai, Imphal

A school of Advanced Coaching Institute & Under the guidance of Human Resource Centre & Research Institute

ADMISSION OPEN FOR XI SCIENCE & XI ARTS

SPECIAL FACULTY MEMBERS
1. Physics – Dr. Devadattamani / Dr. Joyshankar/ Dr. Bidyakanta (IIT)
2. Chemistry - R.K. Bahadur / Manglembi NET (PhD)
3. Maths – Dr. Sanjit / Kiranmala (Gold medalist)
4. Zoology – Dr. Ranjita/ Kh. Seityabati
5. Botany – Dr. Bijen / Dr. Thajamanbi
Supported by special faculty members of ACI

FEATURES
1. For Position holders in the HSLC exam *Free ship + Book Grant + Scholarship*
2. Students who scores 85% & above *Admission free + Half tuition free + scholarship*
3. Students scores 80% and below 85% *Admission free+Scholarship+Book Grant*
4. Students scores 75% and below 80% *Half Admission free + Book Grant*
5. Students score 70% and below 75% *Half Admission*
6. Students score 60% and below 70% *Direct Admission*

World class standard classroom with Smart Class
Contact : 9862992105
www.advancecoachinginstitute.com

Direct admission - 45% and above under conditions
For few seats available

Form available: Office of Advanced Coaching Institute (offline)

HL-B/7769/ 29/7 to 7/8 Aug



ADVANCED COACHING INSTITUTE (HURRY! LIMITED SEAT)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR

FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE

2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC

1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS

7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS

1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel

MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 4th and 18TH August

For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advancecoachinginstitute

LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 –9AM 6--9AM 12—3PM 4.30– 7.50pm

For Query : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH

HL-B/7769/29/7 to 7/8Aug



FREE COACHING FOR CLASS X COMPARTMENTAL

Orgd. By
Human Resource Centre & Research Institute

SURE STEP TO MAKE SUCCESS

BATCH
ENGLISH : 4.30 TO 5.30 A.M.
MATHS : 5.30 TO 7.00 A.M
SCIENCE : 7.00 TO 8.30 A.M.
SOCIAL SC. : 8.30 TO 10 A.M
MIL : 10 TO 11.30 A.M

FREE FOODING AND LODGING FOR S.T /S.C & OBC STUDENTS UNDER CERTAIN CONDITIONS

FIRST COME FIRST SERVE
LIMITED SEATS
FEW SEATS REMAINING

HEAD OFFICE : NAGAMAPAL BRANCH & KWAKEITHEL BRANCH
CONTACT FOR DETAIL : 8787586090

HL-B/7769/29/7 to 7/8 Aug